অহানবা মণিপুর য়ুথ লীগ ২০১৮

# এল ৱাই দি এ অমসুং এম এফ এ ফাইনেলদা থেঙ্গাইনরগনি



ইম্ফাল, দিসেম্বর ১১ (ঐচ এন এস)ঃ মেক্স স্পোর্টস একাদেমি মণিপুরনা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসন (অম্ফা) গা খূৎশম্নরগা থা অসিগী ৪দগী হৌদুনা খুমন লম্পাক্কী আর্টিফিসিএল টর্ফ গ্রাউন্দদা চত্থরক্লিবা অহানবা মণিপুর য়ুথ লীগ ২০১৮গী ফাইনেলদা এল ৱাই দি এ অমসুং এম এফ এ থেঙ্গাইনরগনি।

চহী ১৫ মখাগী টিম তরেৎ অমদি চহী ১৩ মখাগী টিম ৮না শরুক য়াদুনা পাঙথোক্লিবা অহানবা মণিপুর য়ুথ লীগ ২০১৮গী চহী ১৫ মখাগী অহানবা সেমী ফাইনেল মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ১.২৫ তাবগী অহানবা গ্রাউন্দদা এল ৱাই দি এ অমসুং য়ু দি এল দল্লিয়ু ও লম্বা তৌনখি। সেমী ফাইনেল মেচ অদু মায় পাক্লবগীদমক টিম অনীগী মায়কৈদগী অকনবা লম্বা তৌনদুনা বোল কাওনখি।

অহানবা হাফকী অঙনবা মতম মেচকী ৮শুবা মিনটতা এল ৱাই দি এগী জর্সি নম্বর ১৩ পরমজিৎনা মেচ অদুগী অহানবা গোল চনখি। পরমজিৎনা চনখিবা গোল অদুনা মেচ অদু এল ৱাই দি এনা গোল ১-০দা মাঙজিল থাখি। য়ু দি এল দল্লিয়ু ওগী মায়কৈদগীসু এল ৱাই দি এনা মাঙজিল থানা চৎলিবা অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু হন্দোক্লবা হোৎনরকখি। এল ৱাই দি এগী শান্নরোয়শিংনসু য়ু দি এল দল্লিয়ু ওগী মায়কৈদগী চত্থরক্লিবা এটেকশিং অদু দিফেন্দ তৌদুনা শান্নখিবনা অহানবা হাফ লোইশিল্লকপা ফাওবদা এল ৱাই দি এগী গোল অদু হন্দোকপা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপদগী হৌনা য়ু দি এল দল্লিয়ু ওগী মায়কৈদগী এল ৱাই দি এগী গোল অদু হন্দোক্লবা এটেক মথং মথং চত্থরকখি। অদুবু এল ৱাই দি এগী শান্নরোয়শিংনা মেচ অদু ফজনা শান্নরকখিবনা য়ু দি এল দল্লিয়ু ওগী এটেকশিং অদু অরেম্বা তাহন্দুনা মেচ অদু লাকশিন্দুনা শান্নবা হৌরকখি।

মেচকী ৫১শুবা মিনটতা এল ৱাই দি এগী শান্নরোয় জর্সি নম্বর ৭ সী ঐচ জেক্সন্না মহাক্কী টিমগী অনীশুবা গোল চন্দুনা মেচ অদু এল ৱাই দি এনা গোল ২-০দা লৈদুনা মায় পাকপগী লম্বীদা পুশিনখি। মেচকী অরোইবা মীৎকুপ ফাওবদা য়ু দি এল দল্লিয়ু ওগী মায়কৈদগী এল ৱাই দি এগী মাঙজিল থারিবা গোলশিং অদু হন্দোক্লবা এটেক কয়া চত্থরক্লবসু গোল ওন্থোকপা ঙমদবদগী মেচ অদু এল ৱাই দি এনা গোল ২-০দা মায় পাক্তুনা টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল চঙখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী চহী ১৫ মখাগী অনীশুবা সেমী ফাইনেল মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ২.৫০ তাবগী অনীশুবা গ্রাউন্দদা এম এফ এ অমসুং এন এম এস এ লম্বা তৌনখি। অহাবা হাফ হৌরকপদগী লোইবা ফাওবদা এম এফ এনা এন এম এস এবু লাকচনা শান্নখিবনা মেচ অদু লোইশিল্লকপদা এম এফ এনা এন এম এস এবু গোল ৭-১দা মায়থীবা পীরম্লগা ফাইনেল চঙখি। এম এফ এগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ৭ টি ঐচ সনামচানা মেচকী ৯শুবা, ১৩শুবা, ৩০শুবা অমদি ৩৮শুবা মিনটতা গোল ৪, এম ষ্টেলিন্না মেচকী ১২শুবা, টি ঐচ লেনিন্না মেচকী ২২শবা অমসুং এস তোম্বরনা মেচকী ৩৪শুবা মিনটতা চনখি। ফাইনেল মেচ থা অসিগী ১৩দা এল ৱাই দি এ অমসুং এম এফ এ শান্নরগনি।

অহানবা এ এন ৱাই টি কে দে এন্দ নাইট অন্দর-১৫ ফাইভ মেন এ-সাইদ সোক্কর টুর্নামেন্ট ২০১৮

# এ স্কৱার পাৎশোয়, ৱাই দি এ, এল এন এল অমসুং য়ু দি এল দল্লিয়ু ও-বি মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, দিসেম্বর ১১ (ঐচ এন এস)ঃ অপূনবা নহারোল য়াইফ থৌশিল কাঙলূপ (এ এন ৱাই টি কে) থাংমৈবন্দনা শীন্দুনা সোর্বোন থিঙেলদা লৈবা এ এন ৱাই টি কেগী শান্নবুংদা পাঙথোক্লিবা অহানবা এ এন ৱাই টি কে দে এন্দ নাইট অন্দর-১৫ ফাইভ মেন এ-সাইদ সোক্কর টুর্নামেন্ট ২০১৮গী ঙসি শান্নখিবা লীগ রাউন্দগী মেচশিংদা এ স্কৱার পাৎশোয়, ৱাই দি এ, এল এন এল অমসুং য়ু দি এল দল্লিয়ু ও-বি মায় পাকখ্রে।

টিম ২৫না শরুক য়াদুনা কাঙলূপ ৪ থোক্লা খাইদোক্তুনা পাঙথোকপা অহানবা এ এন ৱাই টি কে দে এন্দ নাইট অন্দর-১৫ ফাইভ মে এ-সাইদ সোক্কর টুর্নামেন্ট ২০১৮গী অহুমশুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ৩ তাবগী অহানবা গ্রাউন্দদা গ্রুপ দিগী এ স্কৱার পাৎশোয় অমসুং লনগৈ একাদেমি শান্নখি। মেচ অদুগী অহানবা হাফ হৌবদগী লোইবা ফাওবদা এ স্কৱার পাৎশোয়না লনগৈ একাদেমিবু য়াম্না লাকচনা শান্নখিবনা মেচ অদু এ স্কৱার পাৎশোইনা গোল ৭-০দা মায় পাকখি। এ স্কৱারগী মায় পাকপগী পাঞ্জলশিং অদু পুন্সিবনা মেচকী ১০শুবা, ২৫শুবা, ২৭শুবা, ৩১শুবা, ৩৬শুবা অমদি ৩৮শুবা মিনটতা পূন্না গোল ৬ চল্লগা হেটট্রিপ লৌখি। অদুগা আনন্দনা মেচকী ১২শুবা মিনটতা গোল অমা চনখি।

লীগ রাউন্দগী মরিশুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ৪ তাবগী অনীশুবা গ্রাউন্দদা গ্রুপ বিগী ৱাই দি এ অমসুং উকল এফ সী লম্বা তৌনখি। মেচ অদু টিম অনীনা হৌবদগী লোইবা ফাওবা ফজনা শান্নখি। অহানবা হাফকী ৭শুবা মিনটতা ৱাই দি এগী জর্সি নম্বর ৬ ঙারোমিনা মেচ অদুগী অহানবা গোল চন্দুনা ৱাই দি এনা গোল ১-০দা মাঙজিল থাবা ঙমখি। অহানবা হাফ লোইবা মীৎকুপ ফাওবদা উকল এফ সীগী মায়কৈদগী গোল অদু হন্দোকপা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফ লোইশিল্লকপা ফাওবদসু উকল এফ সীগী মায়কৈদগী ৱাই দি এনা মাঙজিল থারিবা অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু হন্দোকপা ঙমদনা মায়থীহৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৫শুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ৫ তাবগী গ্রুপ সীগী এল এন এল অমসুং কে ভি এফ সী লম্বা তৌনখি। মেচ অদু টিম অনীগী মায়কৈদগী মায় পাক্লবগীদমক অকনবা লম্বা তৌনদুনা বোল কাওনখি। অহানবা হাফ লোইশিল্লকপা ফাওবদা টিম অনীগী মায়কৈদগী লম্বা চানা শান্নখিবনা মেচ অদু গোল অমত্তা চন্নবা ঙম্নদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফকী ৩০শুবা মিনটতা এল এন এলগী জর্সি নম্বর ৪ এস রোবিনসন্না মেচ অদুগী অহানবা গোল চনবদা নত্তনা মহাক্কী টিমগী গোল একাউন্ট হাংদোক্লগা এল এন এলনা গোল ১-০দা মাঙজিল থাবা ঙমখি। কে ভি এফ সীগী শান্নরোয়শিংনা এল এন এলগী মাঙজিল থারিবা গোল অদু মেচকী অরোইবা মীৎকুপ ফাওবদা হন্দোক্লবা হোৎনরবসু হন্দোকপা ঙমদনা মেচ অদু মায়থীহৌখি।

লীগ মেচ অসিগী তরুকশুবা মেচ ওইনা ঙসি নুমিদাং পুং ৬ তাবগী অরোইবা অমদি মরিশুবা গ্রাউন্দদা গ্রুপ এগী য়ু টি এল দল্লিয়ু ও-বি অমদি লিটুল জাইন্স শান্নখিবা মেচ অদু য়ু টি এল দল্লিয়ু ও-বিনা লিটুল জাইন্সপু য়াম্না লাকচনা গোল ১১-০দা মায়থীবা পীখি।

# বোইনাও, বিসন মৈতৈ অমসুং জোনসন মীতৈ শিঙ্গাপুর পাংখ্রে



ইম্ফাল, দিসেম্বর ১১ (ঐচ এন এস)ঃ শিঙ্গাপুরদা লৈবা শিঙ্গাপুর স্পোর্টস হবকী ও সী বি সী এরেনা হোল ৱানদা থা অসিগী ১৩দগী ১৬ ফাওবা নুমিৎ মরিনি চূপ্না পাঙথোক্কদৌরিবা ১৮শুবা ৱর্ল্ড পেনকাক সিলাট চেম্পিয়নশিপ ২০১৮দা ইন্দিয়াগী পেনকাক সিলাট টিমদা শরুক য়ারিবা মণিপুরগী পেনকাক সিলাটকী নাওরেম বোইনাও, হুইদ্রোম বিসন মৈতৈ অমসুং থৌনাওজম জোনসন মীতৈ ঙসি দেল্লিদগী শিঙ্গাপুর পাংখ্রে।

বোইনাওনা টেন্দিং অমদি টুনগাল ইভেন্টতা শরুক য়াগনি। অদুগা হুইদ্রোম বিসন মৈতৈ অমদি থৌনাওজম জোনসন মীতৈনা গন্দাগী ইভেন্টতা শরুক য়াগনি। ইন্দিয়াগী পেনকাক সিলাট টিমদা মোহম্মদ ইকবালনা টিম কোচ, মুফটি হমিদ য়াসিননা টিম মেনেজর ওইনা মীওই ২৫না শাবা টিম অসি লুচিংখি। মণিপুরদগী শান্নরোয় ৩ ইন্দিয়াগী টিমদা য়াওবা ঙম্বা অসিদা পেনকাক সিলাট এসোসিএসন ওফ মণিপুরনা নুংঙাইবা ফোঙদোকপগা লোয়নননা মায় পাকপা পুরকপা ওইরসনু হায়না এসোসিএসন অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি এল রঞ্জিৎনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

অহানবা দিষ্ট্রিক্ট লেভেল ওপন চেছ টুর্নামেন্ট ২০১৮

# পি অমুয়াইমনা ৱিন্নর, কে গোপেন্দ্রনা রন্নর্স-অপ তাখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১১ (ঐচ এন এস)ঃ দিষ্ট্রিক্ট চেছ এসোসিএসন জিরিবাম (দি সী এ জে) না শীন্দুনা জিরিবামগী বাবুপড়াদা লৈবা স্মার্ট সোসাইটি ওফিসকী ম্যুনিসিপাল বিল্ডিংগী সেকেন্দ ফ্লোরদা চত্থরকখিবা অহানবা দিষ্ট্রিক্ট লেভেল ওপন চেছ টুর্নামেন্ট ২০১৮দা পি অমুয়াইমনা ৱিন্নর অমসুং কে গোপেন্দ্রনা রন্নর্স-অপ তাখ্রে।




দিষ্ট্রিক্ট অসিগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদগী শান্নরোয় ২৪না শরুক য়াদুনা চত্থরকপা অহানবা দিষ্ট্রিক্ট লেভেল ওপন চেছ টুর্নামেন্ট ২০১৮ লোইশিনবগী থৌরম অদুদা মণিপুর চেছ এসোসিএসনগী মেম্বর কে ঐচ ধনা, দিষ্ট্রিক্ট চেছ এসোসিএসন জিরিবামগী প্রসিদেন্ট এ বিরেন, জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী সুপরিন্টেন্দেন্ট এম মুবী (এম পি এস), জিরিবাম ওলিম্পিক এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট এ ব্রজকান্ট, দিষ্ট্রিক্ট য়ুথ এফ্যেরস এন্দ স্পোর্টস জিরিবামগী সুপরিন্টেন্দেন্ট এম টিলোক্কা মথংশিংনা চীফ আর্বিটর, চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী লীগ রাউন্দ মেচ কয়া শান্নরকখ্রবা মতুং পোইন্ট টেল্লিগী মতুং ইন্না পি অমুয়াইমনা খ্বাইদগী পোইন্ট য়াম্না ফংদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী চেম্পিয়ন ওইখিবনি। অদুগা কে গোপেন্দ্রনা রন্নর্স-অপ অমসুং ঐচ কিশোকুমারনা অহুমশুবা পোজিসন তাখিবনি।

থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখিবা এম মুবীনা হায়খি, চেছ মশান্না অসি য়াম্না চীং-লেম্বা, মশানা মশাগী থৌনা অমসু হাপ্পী। লোয়নননা চেছ মশান্না অসিবু খোইদাজবশিং অসি অনম্বনা ঈং-তপ্পী। জিরিবামদা অহানবা ওইনা পাঙথোক্লিবা দিষ্ট্রিক্ট লেভেল ওপন চেছ টুর্নামেন্ট পাঙথোক্লবসু মতুং তারকপদা য়াম্না চাউবা কম্পিটিসন কয়া পাঙথোক্তুনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী অফবা শান্নরোয় কয়া পুথোকপা ঙমগনি থাজে হায়খি।

ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট এম ব্রজকান্তনা হায়খি, মশান্না অসিনা জিরিবামগী অহল অঙাং পূম্বদা শান্নহন্দুনা মীওইবগী কোক অসি মথৌ তৌবগী তাঞ্জা পীবা অসি য়াম্না নুংঙাই। মকোক মথং তাখ্রবা শান্নরোয়শিংদা সার্টিফিকেট অমদি মনা-মথুমশিং খূৎশিন্নখি।



HL-P/2433/8-31-2,4 feb (alt)

# এস এফ এ কৈবি অমদি কে ৱাই এফ এ কোইরেঙ্গৈ টিম গুৱাহাটিগীদমক ইম্ফাল থাদোকখ্রে





ইম্ফাল, দিসেম্বর ১১ (ঐচ এন এস)ঃ স্পোর্টস মেনেজমেন্ট প্রাইভেট লিমিটেদ (এস পি দি টি) গী মীৎয়েং মখাদা সনফিষ্ট কম্পেনিনা শীন্দুনা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা মাইব খুল দিভলপমেন্ট স্কুল মনাক্তা লৈবা মাইবা খুল য়ুনিয়ন ক্লবতা ওক্টোবর ২৩দগী ২৮ ফাওবা পাঙথোকখিবা ৪শুবা এদিসনগী সনফিষ্ট ২০১৮দা চহী ১৩ মখাগী ৱিন্নর ওইখ্রবা কে ৱাই এফ এ কোইরেঙ্গৈ অমসুং চহী ১৬ মখাগী ৱিন্নর ওইখ্রবা সরত ফুটবোল একাদেমি (এস এফ এ) কৈবিগী টিম গুৱাহাটিগীদমক ইম্ফাল থাদোকখ্রে।

মরিশুবা এদিসন সনফিষ্ট ২০১৮গা মরী লৈননা সনফিষ্ট নোর্থ ইষ্ট ফাইনেল থা অসিগী ১২ অমসুং ১৩দা অসামদা লৈবা জালুকবারিগী অসাম এঞ্জিনিয়ারিং কোলেজতা পাঙথোক্কনি। নোর্থ ইষ্ট ফাইনেল অসিদা অসাম এমেচর, অরুনাচল প্রদেশ এস, মণিপুর মার্সেলস, মেঘালয়া মাষ্টরস, মিজোরাম মাব্রিক্স অমদি ত্রিপুরা টাইটান্সনা শরুক য়ারি।

# ৱিন্টর টেবল টেনিস কোচিং ক্লাস

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১১ (ঐচ এন এস)ঃ ককচীং দিষ্ট্রিক্ট টেবল টেনিস এসোসিএসন (কে দি টি টি এ) ককচীংনা শীন্দুনা থা অসিগী ১৬তগী হৌদুনা জন্যুৱারী ২০ ফাওবা নুমিৎ ৩৬নি চূপ্না য়ুথ এফ্যেরস এন্দ স্পোর্টস ষ্টেদিয়ম ককচীং চুম্নাংদা ৱিন্টর টেবল টেনিস কোচিং ক্লাস হৌরগনি।

কোচিং ক্লাস অসিদা টেবল টেনিস মশান্না অসিবু পামজবা অমদি নুংশিবীবশিংনা য়াওবীবা য়াগনি। অকূপ্পা মরোল ককচীং দিষ্ট্রিক্ট টেবল টেনিস এসোসিএসন (কে দি টি টি এ) গী ওফিস অমদি য়ুথ এফ্যেরস এন্দ স্পোর্টস ষ্টেদিয়ম ককচীং চুম্নাংদা অয়ূক পুং ৭তগী ৯, নুংথিল পুং ৩দগীনা নুমিদাং পুং ৮ ফাওবগী মনুংদা খঙলবা য়াগনি হায়না এসোসিএসন অসিগী জোইন্ট সেক্রেটরি এম সুরজিৎনা খঙহল্লক্লি।




HL-B/4943/25/10-22/12 (alt.)

# মণিপুর সব জুনিয়র খো-খো টিম ইম্ফাল থাদোকখ্রে



ইম্ফাল, দিসেম্বর ১১ (ঐচ এন এস)ঃ উত্তরখণ্ডগী রুদ্রাপুরদা থা অসিগী ১৫দগী ১৯ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ২৯শুবা সব জুনিয়র নেসনল খো-খো চেম্পিয়নশিপ্তা শরুক য়ানবগীদমক মণিপুর সব জুনিয়র খো-খো টিম ঙসি ইম্ফাল হোটেলগী মমাঙদগী উত্তরখণ্ড পাংখ্রে।

মণিপুরগী জুনিয়র খো-খো টিম অদুদা শরুক য়ারিবা নুপা শান্নরোয়শিং অদুদি এম দি অমর আলি, এল বিমোলচান্দ, কে ঐচ মুকেস, পি নাওবোই, এস দিনেস, টি ঐচ দিংকার, এস ঐচ লেনিন, বোইচা মৈতৈ, পি ঐচ প্রসান্ত, এম দি মুস্তাকিন, পি ঐচ অর্বিন অমসুং ৱাই জেমসবোন্দনি। নুপী কাঙলূপ্তুনা এস অবেম্না, এল সোফিয়া, কে ঐচ মেরিনা, এস অলবিনা চনু, টি ঐচ খোমদোনবী, কে ঐচ সনাথোই, এম থোই, ঈ রোমিলা, এল পায়ল, এস সোফিয়া, এ সুসমিতা অমসুং কে ঐচ অরুনানি। নুপাগী টিম কোচতা টি ঐচ বিমোল, মেনেজরনা এ সঞ্জিব কুমার; নুপীগী টিম কোচনা কে ঐচ ইমো, মেনেজরদনা এস শামুনি।



HL-B/5019/23,25,27...

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor; Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com